## এডিটোরিয়েল

### লৈঙাক্লা বিল কন্ত্রোল তৌনা শেমগদবনি

মণিপুর লৈঙাক্লা শেমখ্রবা বিল অমা প্রসিডেন্টনা য়াদ্রে হায়দুনা নৎত্রগা য়াই হায়বগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা থিংজিন্দুনা থমখ্রে। মদুগী মখা তাবদা অতোপ্পা বিলগী মায়োক্তা লৈবনি হায়বা মীওই কাঙলূপ খরনা বিলদুবু য়াই নৎত্রগা য়াদে হায়বা ফোঙদোকপা নত্তনা মখোয়গী মায়কৈদগীদি বিল অদু পাস তৌবা য়ারোই হায়না ফোঙদোরক্লিবসিদা লৈঙাকসিনা করম্বা ফিরেপ লৌরবগে অমসুং লৈঙাক্কী ফিরেপ্পা অরোইবনি হায়বা খঙহন্নবা করম্বা খোঙথাং লৌখৎলবগে হায়বসি ঙসিদি মীয়াম্না হংদবা য়াদবা ৱাহং অমা ওইরে। মসিদা খ্বাইদগী লূরিবদি লৈঙাক অসিগী লৈঙাক্লোন্না করম্বা মখলগী লৈঙাক চখরগা চীং অমসুং তমগী অপুনবা শক্তম অমা পুন্না পুরক্কদগে অমসুং চীং তমগী লৈরিবা লূপশিংনা মণিপুরগী লৈঙাক অসি হিংনবা করম্বা মখলগী থৌওং অমদি থৌশিল পায়খৎকদগে হায়বা ৱাফম অসিনি। হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা চীং অমসুং তমগী লৈরিবা লূপশিং অসিনা বিল অদুগীদমক করিগীদমক পুন্না থবক পায়খৎনবা লৈঙাক্লোইশিংনা পায়খৎত্রিবনো হায়বা অসিমদি হংদবা য়াদ্রে। হৌজিক লৈরিবনা বিল অমগীদমক তকশিনবদা শরুক য়াখিবা মীওই অমা জেলদা থমজিনবা অমসুং মখা তানা খোঙজং চখরিবশিং অদু মায়কৈ লেপ্পবা হোৎনরিবা মীওইশিং অদুবু জুদিসিয়েল কষ্টদিদা থম্নবা হোৎনরিবা থৌওং কয়া অসিনা মরম ওই। মসিদা য়েৎনরিবা অমসুং লৈরিবা ফিভম অসিদা মণিপুরগী মনুংদা করম্বা মওংদা আই এল পি অসি চৎনগদৌরিবনো হায়বা ৱাহং অমদি শোয়দনা হংবা তাই।

লৈঙাক্লা শেম্বা বিল অমা য়েলহৌমীশিংগী ওইনা শেমদে হায়রগদি হায়রিবা বিল অদু য়েলহৌমী কন্নবা বিল অমা ওইবা য়ারোই। য়েলহৌমী হায়রগা লৌগদৌরিবসি মণিপুরগী পুৱারীদগী লৈরবা মীওই কাঙলূপ ৩৩ গী ট্রাইবেল কম্যুনিতি অদু ওইগদবনি। মসিদা তিনশিল্লকপা কম্যুনিতি ৩ য়াওরগা ৩৬ কী কাঙলূপ অদু করম্বা মতমদা মণিপুরদা চঙলকখিবগে অমসুং মখোয়গী হিষ্টরি করিনো হায়বা অদু লৌফম থোকপনি। ১৯৫১ নৎত্রগা ১৯৭১ গী মনুংদা চঙলকপা ম্যান্মারগী কুকিশিং অদুগী খল্লগা লৈঙাক অসিনা মখোয়গীদমক থবক তৌগদ্রা হায়বসিমা হংবা য়াই। মদুসু নত্তবদা ঈহৌ হৌরিবমখে মণিপুর লৈঙাক্লা ঈহৌ খুদিংমক্কী মখা পোন্না থবক তৌগদ্রা হায়বসি লৈঙাকসিদা হংনিংই। লৈঙাক অমনা বিল অমা পাস তৌনবা হোৎনবা অসিদা য়েলহৌমীশিংগীনি হায়না খলহনবা ঙম্বগী পাঙ্গল অমসু লৈঙাক অসিদা লৈগদবনি। লৈঙাক্লা শোল্লগা য়েলহৌমীশিংগী বিলদা অশোয়বা লৈ হায়বদি য়ারোই। হৌজিক পান্লিবদি য়েলহৌমীগী বিল অদু খ্বাইদগী চুম্বা য়েলহৌমী খুদিংমক্কী ওইবা বিল অমা ওইহনগদবনি। মসিগী মখা তারকপদা লৈঙাক্লা শেংদোরকপা নৎত্রগা লূপশিংনা শেংদোরকপা অমত্তা মৱা লৌররোই হায়বসি লমদমসিগী মীয়ামগী ফিরেপ ওইগনি খল্লি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### অনৌবা বি জে পি মণিপুর প্রসিডেন্টতা থাজবা থম্লকলি

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

হান্নগী প্রসিডেন্ট শিনবগী ৱাফমদা মতম খরা চরাংনরম্বদু ঙসিদি ইথা হেক থাজদনা পূম্নমক ইংথনদুনা ক্ষেত্রিময়ুম ভবানন্দবু মণিপুর বি জে পি প্রসিডেন্ট ওইনা খন্দুনা লাক্কদৌরিবা আই এম সি গী মীখল মায় পাক্লগনি হায়না থাজবা থম্লক্লি। হান্নগী বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিডেন্ট টি আইচ চাওবনা ষ্টেট ইলেক্সন মেনেজমেন্ট কনভেন্নর ওইনা পুহল্লকইবসিদসু অমুক্কা হেন্না নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি। মতম শাংনা দল অসিগী ফগৎনবা থৌদাং কয়া লৌবিরকপদা হনবা লৈতনা হোৎনবিরকইবা মহাক্কী মতম লোইখিবা তারবসু মতম খরদং মীয়ামগা লোয়ননা দল অসিগী য়াইফনবগী খুদোংচাবশিং পীবা ঙমহনগদৌরিবা অসিমক থাগৎচরি। অনৌবা প্রসিডেন্ট অসিগী ৱাখল্লোন্দা ফাওরিবা দল অসিগী অচৌবা ৱাখল্লোনশিং শোয়দনমক্কী মায়পাকপা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবসু থম্লক্লি। মীচং মীখায় নাইদ্রবা দল অসিগী অশেংবা শক্তমশিংবু অতোপ্পা দলশিংনা লান্না উহন্নবা থৌরাংলিবা পূম্নমক অরেম্বা ওইরগনি থাজরি। মহাক্কুম্বা ইচম চম্না দল অসিগী কায্যকারি অমদা লুচিংবা ওইনা খল্লকইবা অসিমক্লা দল অসিগী মীচঙ মীখায় নাইদবনি হায়বগী অশেংবা অচুম্বা শক্তমশিং ময়েক শেংনা উরক্লি। লমদম অসিদা ওইরকইবা তংদু লৈতাদবা পুন্সি মহিংদা হিংলিবা প্রজাশিংবু কঞ্জনবগী অচৌ–অচৌবা ৱাখল্লোনশিং পুথোকপীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরকইবসি মহাকপু থাজবদগীনি। লমদম অসিদা মতম শাংনা লৈঙাকইবা ঙসিগী সরকারগী অশোয়বা কয়াবু চুমথোক্নবগী খুদোংচাবা কয়া ঙসি মীয়ামদা ফঙহনবা ঙম্লক্কনি থাজরি। ঙসিগী অনৌবা প্রসিডেন্ট অসিগী অমদি দল অসিগী থৌপুরোইশিংগা ৱাখল অমত্তা ওইমিন্নদুনা লমদমসিদা মশক নায়বা সরকার অমদি শোয়দনা পুথোকপা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবশিংসু থম্লক্লি। হান্নগী প্রসিডেন্ট ফল পুবিরিবনসু দল অসিগী অনৌবা প্রসিডেন্ট অসিগা খুৎশম্নদুনা হৌখিবশিংদা পায়খৎপা ঙমহৌদবা লৈরম্বা খুদিংমক নীংশিংবিদুনা পাঙথোক্লগনি হায়বসু থাজবা থম্লক্লি। কেন্দ্র খুদিংদা য়েংশিনবীনবা লৈত্রবা, ফত্তবা অরানবশিংদা হৈনবী পকখ্রবশিং নুপী অঙাংগী ৱাথোক লান্থোকশিং মুথৎনবগী ৱাখল্লোনশিংসু পুথোরক্লনি হায়বসু থাজবা থম্লক্লি। অনৌবা প্রসিডেন্ট অসিনা লাকপসিদা লমদম অসিগীসু ওইনা অনৌবা শক্তম কয়া শাফোংহন্নবা দল অসিগী মেম্বর পূম্নমক অমদি লমদমসিগী দলসিবু নুংশিবিরিবা খুদিংমক খুৎশম্নমা চৎমিন্নরসি হায়না ফোঙদোকচরি।

**অদোমগী**
**কে ইমো মীতৈ**
**ইম্ফাল**

## শ্রীমদ্ভগবদ গীতাগী মরমদা স্বামী বিবেকানন্দগী মীৎয়েং # ২৫

আয়ুঃ সত্ত্ব বলারোগ্য সুখপ্রীতিবিবর্ধনাঃ। রস্রাঃ স্নিগ্ধা স্থিরা হৃদ্যা অহারাঃ সাত্ত্বিকপ্রিয়াঃ ।।৮।।

হিংনবগী পাঙ্গল পীবা, পুক্নিং শেংদোকপা, পাঙ্গল হাপকৎপা, হকচাং ফহনা, থম্মোয় পেলহনবা, মহাউ লৈবা, চাবদা থোৎপা, কান্নবা ফংহনবা অসিগুম্বা চিঞ্জাক মখলশিংসে সত্ত্বগুনগী মীওইশিংনা পামজৈ।।১৭ঃ৮।।

কট্বম্ল লবনাত্যুষ্ণ তীক্ষ্ণ রুক্ষ বিদাহিনঃ। অহারা রাজসস্রেষ্টা দুঃখশোকাময়প্রদাঃ ।।৯।।

চাবদা য়াম্না শাবা (মোরোকশাবা) অশিনবা, অয়াকপা, মৈগুম্না শারিবা, ময়াক হেনবা, ক্রক ক্রক লাউবা, পুক্তা শাগৎপা (চাকপা) পোকপা মদু চারুরগা নুংঙাইরোইদবা, হকচাংদা অনাবা পোকপা য়াবা অসিগুম্বা মখলগী চিঞ্জাকশিংবু রজ গুনগী মীওইশিংনা পাম্না চানৈ ।।১৭ঃ৯।।

যাতযামং গতরসং পুতিপর্য্যু সিতঞ্চযৎ। উচিচ্ছষ্টমপি চামেধ্যং ভোজনং তামসপ্রিয়ম।।১০।।

চজীক ওল্লবা অমদি ঈংলবা, মহাও মাঙখ্রবা, মনম নমথীবা, চজীক লুখাক ওইরবা অমদি মীনা অমাংবনি হায়নবা চিঞ্জকশিংবুদি তমগুনগী মীওইশিংনা পাম্না চানৈ।।১৭ঃ১০।।

করম–করম্বা চিঞ্জাকশিংনা ঐখোয়গী ওইনা ফবগে, করম্বনা ফত্তবগে হায়বা ৱাফমসিদি, ঐখোয় ইশা–ইশানা লেপচগদৌবনি। ঐখোয়গীদমক মী অতৈনা লেপ্পীবদি কয়া চুমলোই। অদুমকপু সাধারন ওইবা মীৎয়েংদা, ইশাদা অশাউবা, ইন্দ্রিয়গী ইরাং অমসুং ফীংগৎপা অসিগুম্বা পোকহনবা য়াবা চিঞ্জাক্তি থাদোক্কদবনি। মী–মীগী মশাগী ওইনা তৌজরিবা থবক মখল–মখলশিং অদুগীসু মখা পোন্না চিঞ্জাক খেন্নবা তাবনি। চিঞ্জাক্তগী ঐখোয়গী ৱাখল, লমচৎ শাজৎ থোরকপনি হায়বা ৱাফমসি অয়াম্বা মতমদা ঐখোয়না নীংশিংলুদে করম্বা মখলগী ইন্নর্জি হকচাংসিদা দরকার লৈ, কয়াম্না ৱাৎপনো অসিগুম্বা মওংদসু খন্থবা তঙাইফদে। স্পোর্টসমেন অমনা কম্পিটিসন মথঙ মথঙ মায়পাক্লা য়াউগে হায়রবদি মনা মশিং হৱাই অসিগুম্বা চিঞ্জাক্লদি মঙোন্দা মতিক চানা ইন্নর্জি পীবা ঙম্লোই। শা–ঙা অমদি ফুড–সপ্লিমেন্ট কয়া দরকার লৈগনি। অমরোমদা, ইংনা–চিক্লা ধ্যান তৌদুনা পরমাত্মবু নীংশিংদুনা লৈগদবা ভক্তশিংগীদি মনামশিং হৱাই চেংৱাই খরদংনা মতিক চারে। তমগুনগী মীশিংনা অপুম অশাগী মখল ওইবা চিঞ্জাক পাম্মী মদু চারগা তুমদুনতা মতম অয়াম্বা লৈঞ্জে। থবক কন্না শুবগী হৈনবী লৈবা রজগুনগী মীশিংনা অশাবা চিঞ্জাক, ময়ায় কাব অমসুং লৈয়েংদা হাউবা চিঞ্জাক পাম্মী। সত্বিকগুনগী মীশিংনা অচম্বা চিঞ্জাক চাবা পাম্মী চাবসু য়াম্না খক চানীংদে। মওং অদুনা মখোয়গী পুক্নিংবু ঙাউহন্দনবা হোৎনবদা মতেং ওই।

দাতব্যং ইতি য়দ্দানং দীয়তে অনুপকারিনে। দেশে কালে চ পাত্রে চ তদ্দানং সাত্ত্বিবাং স্মৃতম।।২০।।

মীঙোন্দা পোৎ পীবা হায়বদি দান তৌবা হায়বসি অফবা থৌওংনি – ঐনা পীরুরিবা দান অদু অমুক হল্লকলরোইদবা মীদা পীবা মদু দান অশেংবনি, অদুগা পীবা মফম মতম অমসুং ফংলিবা মীশক হায়রিবা পুম্বসে অচুম্বা ৱাখলগা অমসুং চানবা মওংদা ওইগদবনি। মওং অশুম্না পীবা দান অসিদি সত্ত্বগুনগী মীশিংনা তৌবনি।।১৭ঃ২০।।

যত্তু প্রত্যুপকারার্থ ফলমুদ্দিশ্যবা পুনঃ। দীয়তে চ পরিক্লিষ্টং তদ্দানং রাজসং স্মৃতম ।।২১।।

ঐনা পীখিবদু নোংমদি ঐঙোন্দা হল্লক্কনি খন্দুনা পীবা নৎত্রগা পীখিবদুনা ঐগী কান্নবা ফংগনি, মীংচৎ ফংগনি অসুম্না খন্দুনা পোৎ পীবসি রজ গুনগী মীশিংনা তৌই।।১৭ঃ২১।।

অদেশকালে য়দ্দানং অপাত্রেভ্যশ্চ দীয়তে। অসৎ কৃতং অবজ্ঞাতং তৎ তামসং উদাহৃতম ।।২২।।

মফম চাদনা, মতম চাদনা (মতেং) পীফম থোক্তবা মীওইদা, নাপল অমগা লোয়ননা পোৎ (দান) পীরবদি মওংদু তম–গুনগী মীওইশিংতনা হৈনবা থবক্লি।।১৭ঃ২২।।

গীতাদা দানপীবগী মওংসি মখল অহুম থোক্লা উৎলি। তামসিক, রাজসিক, অমসুং সাত্ত্বিক অসুম্না দান মখল অহুম লৈ। নাপলগুম্বা মওং অমদগী তামসিক দান অসি তৌবনি, মসিদা মতম অয়াম্বদা অশোয়বা থোকই। মীনুংশি পোক্তুনা মী অমগী কান্নবা খন্দুনা পীবা দান নত্তে। রাজসিক ওইবা দান পীবা মওংদসু মশাগী মীংচৎ হেনগৎনবা অমদি ইনাকখুনবনি উৎনীংদুনা দান পীবনি। সাত্ত্বিক্কী ওইবা দান পীবগী মওংদি ফংফম থোকপা মীশক্তা, অচুম্বা মফম অমসুং মতম য়েংলগা থম্মোয়দা মীনুংশিগা লোয়ননা দান পীবনি। মসিনা পীরিবা অমসুং ফংলিবা অনীমক্কী য়াইফবা হায়বদু ওই।

ঐখোয়না লৈরিবা সমাজসিদা রাজসিক ওইবা মী মশীংনা খ্বাইদগী হেল্লি। মথঙদা তামসিক ওইবা মীশিং লৈ অরোইবদা পংয়াম য়ামদনা সাত্ত্বিক ওইবা মীশিং লৈ। দান অমা পীরগা ঐগী মীংচৎ হেনগৎকনি, ঐ অসি মীনা উরগা তৌবা–ঙম্বা শেলথুম পায়বা মীওইনি খনশনু অশুম্বা খনবা রাজসিক ওইবা মীওইগী মশীংনা খ্বাইদগী য়াম্মী। মীঙোন্দা করিগুম্বা খরা পীখিবদু খরা লৈরগা ঐখোয়দা অমুক হল্লকহন্নীংবা মী মশীংসু য়াম্মী।

কাম্যানাং কর্মনাং ন্যাসং সনতন্যাসং কবয়ো বিদুঃ। সর্বকর্ম ফলত্যাগং প্রাহুস্ত্যাগং বিচক্ষনাঃ ।।২।।

কান্নবা ফংগনি খন্দুনা পাঙথোকপা থবক থৌওং মখৈ লোইনা থাদোক্লগা থবক্কীদমক থবক তৌবদু সন্ন্যাস কৌবনি হায়না মুনি ঋর্ষিশিংনা হায়। অসিগুম্বা ৱাফমসি জ্ঞানীশিংনসু চুম্মী হায়না অকনবা মোত পী।।১৮ঃ২।।

অশেংবা নীংতম্বা হায়বদুদি সন্ন্যাস য়াউদনদি ওইথোক্তে। খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী ঈশ্বর প্রেম হায়বদুদি থাদোকপা (সন্ন্যাস) য়াউদনা ফংবা য়ারোই। "Renunciation is the word 'নান্য পন্থা বিদ্যতে অয়নায়' There is no other way than this,. The sages know sannyasa to be the giving up of all work that has desire for its end."

[সন্ন্যাস হায়বসি (তঙাইফদ্রিবা) ৱাহৈ অদুনি–

'নান্য পন্থা বিদ্যতে অয়নায়' (হায়বদি) মসি নত্তবা অতৈ লম্বী অমা লৈতে., মুনি–ঋষিশিংনা সন্ন্যাস হায়রগা কান্নবা থিদবা (অপাম্বা য়াউদবা) থবক মতৌ অদুবুনি, অপাম্বা য়াউবা থবক পুম্বা থাদোকপদু সন্ন্যাসনি] সংসারগী ওইবা অৱা–অনাশিংগী থৌরীনা পুনশিন্দুনা থল্লিবদু থদত্তুনা হুন্দোক্ত্রি বমখৈদি নীংতম্বা (মুক্তি) হায়বদু ফংলোই। সংসারগী ওইবা পুন্সি–মরেল অসি থাদোক্তুনা ইশাবু নীংতম্বগী লম্বীদা পুশিন্দ্রিবা মখৈদি ব্রহ্মজ্ঞান হায়বদু ফংবসু ওইথোক্তে। মৱে য়েংপা হৈবা অখণ্ডবা শাবা মীশিংনা ফনয়োম্না কন্না লাওদুনা মৱে য়েৎলবসু ঐনা চপ চানা খঙলবা ৱাফমসিদি অদুম্মক ফোঙদোক্লমগনি।

ব্রক্ষ্মন ক্ষত্রিয়বিশাং শুদ্রানাং চপরন্তপ। কর্মানি প্রবিভক্তানি স্বভাব প্রভবৈঃ গুনৈঃ ।।৪১।।

লৈবাকপোকপা খুদিংগী... সত্যম–শিবম–সুন্দরম
কে সি নন্দ

ব্রক্ষ্মন, ক্ষেত্রিয়, বৈশ্য অমসুং শুদ্র হায়রিবা কাংলূপ কাংলূপশিংসে মখোয়–মখোয়গী মথৌদাং শিং অদু মখোয়দা য়াউরিবা গুনশিং অদুগী মতুংইন্না তোঙান তোঙান্না শন্দোক্তুনা থম্বনি মসি খঙউ, য়েক্লববু মায়থিবা পীঙম্বা ও! ।।১৮ঃ৪১।।

শমো দমস্তপঃ শৌচং ক্ষান্তিঃ আর্জবং এবচ। জ্ঞানং বিজ্ঞানং আস্তিকৎঃ ব্রক্ষ্মকর্ম স্বভাবজম।।৪২।।

পুক্নিং লাকশিনবা, ইন্দ্রিয়শিং খুদম চনশিনবা চেকশিনবা (লমচৎতা), পুমশেং–শেংবা, খাঙবা কনবা, অচুম্বা ৱাখল জ্ঞান থম্বা, খঙনবা হোৎনবা, শ্রদ্ধা লৈবা– গুনশিং অসিনা মীশিংবু ব্রক্ষ্মনশিং হায়বদু ওইহনবনি, মসি মখোয়গীদি মহৌশা ওইনা য়াউরক্লবনি।।১৮ঃ৪২।।

শৌর্যং তেজোধৃতিঃ দাক্ষ্যং য়ুদ্ধে চ অসি অপলায়নম।। দানং ঈশ্বরভাবশ্চ ক্ষত্রকর্ম স্বভাবজম।।৪৩।।

থৌনা লৈবা, পাঙ্গলকনবা, খাঙবা কনবা, পাঙথোক্কে ঙম্বা লানফমদগী চেন্দবা (কিদুনা) পুকচেল চাউবা লৈঙাক শাসন হৈবা, গুনশিং অসি ক্ষেত্রিয়শিংগী গুননি, মখোয় মশাদা য়াউজরবনি।।১৮ঃ৪৩।।

কৃষিগৌরক্ষ্য বানিজ্যং বৈশ্যকর্ম স্বভাবজম পরিচর্য্যাত্মকং কর্ম শুদ্র স্যাপি স্বভাবজম।।৪৪।।

লৌউ–শীংউ তৌবা, শা–যণশিং য়োকপা, লল্লোন ঈতিক তৌবা হায়রিবশিং অসি বৈশ্যশিংগী মথৌ ঙাক্তনি। সেবাগী থবকশিং তৌবদি শুদ্রশিংগী মথৌদাংনি, মসি মহৌশানা পীরবনি।।১৮ঃ৪৪।।

অসুম্না গীতাদা শ্রীকৃষ্ণনা বর্নশিংগী মরমদা অর্জুন্দা তাকখি, মাগী মাগী থৌদাং পাংথোকপা তাবনি খঙহনখি।

স্বে স্বে কর্মানি অভিরতঃ সাসিদ্ধিং লভতে নরঃ স্বকর্মনিরতঃ সিন্ধিং মখা বিন্দতি তচ্ছৃনু।।৪৫।।

সহজং কর্ম কৌন্তেয় সদোষং অপি ন ত্যজেৎ। সর্বারম্ভা হি দোষেন দুমেন অগ্নিঃ ইব আবৃতাঃ ।।৪৮।।

মশা–মশাগী ওইবা তৌফম থোকপা মথৌশিংদু পুক্নিং শেংনা অমদি থৱায় চঙনা পাঙথোক্লবা মীশিংদু মপুঙফাবা হায়বদু ওই, ৱাফমসি ঐঙোন্দগী তাউনে।।১৮ঃ৪৬।।

মী অমগী মপোক্কী ওইবা (হান্নদগী চৎনরক্লবা) তৌফম থোকপা থবকশিংদু য়ারীবমখৈ থাদোক্লগে হায়না হোৎনরোইদৌবনি। হে কুন্তিগী মচাইবুংঙো, পোক্লুরিবা মপোক্তু গী ওইবা দায়ীত্বশিং পাংথোকপদা থবক কয়া তৌগনি মদুদা অফবা নত্তবা ফল লৈবসু কয়ামা য়াউরম্বা য়াই। মদুগী খন্দুনা নথৌদাং থাদোকপদি চুমদে। শীঙ মৈ থায়রবদি মৈখু খরদি শোইদনা থেংনবা তাবনি। অফবা ফত্তবা হায়বসি পুন্না অদুম্মক চৎমীন্নবনি।।১৮ঃ৪৮।।

"Be not afraid even if there is some evil in your work, for there is no work which has no evil. leave it unto the Lord and do not look for the results (good or evil)."

নঙগী থবক্তা ফত্তবা খর য়াউরে হায়দুনা ৱারুনু, (সংসারসিদা) ফত্তবা শুকয়াউ য়াউদবা থবকতি লৈতে। (অফবসু ফত্তবসু) পুম্নমক ঈশ্বরদা কখোকখো (পুম্নমক মাগী থবক্লি) ফলগীদমক ৱাবা থাদোকখ্রো)

তমেব শরনং গচ্ছ সর্বভাবেন ভারত। তৎপ্রসাদাৎ পরাং শান্তিং স্থানং প্রাপস্যসি শাশ্বতম।।৬২।।

ভরতকী শুথাং ওইবা ও! থম্মোয় শেংনা মঙোন্দা (ঈশ্বরদা) চঙজরো, মহাক্কী থৌজালতনা মপুঙফাবা শান্তি ফংগনি অৱাৎ অপা লৈতবা মফমদুদা য়ৌগনি।।১৮ঃ৬২।।

সর্বর্ধমান পরিত্যজ্য মামেকং শরনং ব্রজ। অহং ত্বা সর্বপাপেভ্যো মোক্ষয়িষ্যামি মা শুচঃ ।।৬৬।।

লম্বী অতৈ পুম্বা (ধর্ম অতৈ পুম্বা) থাদোক্লগা ঐঙোন্দা চঙজরকউ, পাপ পুম্বদগী ঐহাক্না ঙাকথোকপিদুনা নঙবু লানবীগনি, করিমত্তা ৱারুগনু।।১৮ঃ৬৬।।

"ভগবদগীতা এজ ভিউদ বাই স্বামী বিবেকানন্দ" হায়বা লাইরিক্কী শম্নপ্পা শরুক লোইজরে। হায়জনীংই, গীতা শোইদনা পাপীয়ু, শান্তি ফংবীয়ু, নীংতম্বা ফংবীয়ু।

**(লোইরবা)**

## হিন্দু ধর্ম্ম অমসুং পুরাণ–৩

**ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা**

**৭.মার্কণ্ডেয়পুরাণঃ** মার্কণ্ডেয় পুরাণদা থোইদোক হেন্দোক্লা শৈব, শাক্ত, সৌর, গানপত্য, বৈষ্ণব, পুম্নমক শ্রাদ্ধভক্তিগী লোয়ননা পাঠ তৌনরিবা দুর্গাসপ্তশতী (চণ্ডী) য়াওই। পুরাণসিদা মহাভারতকী নায়ক ওইরিবা মচিন মনাউ মঙাবু ইন্দ্র অমখক্তনি হায়বা উৎলি। ইন্দ্রদা গুণ মঙা লৈ মখোয়দুদি তেজ (মঙাল), পাঙ্গল, শক্তি–থৌনা, শক অমসুং হৈশিংবা অসিনি। মঙাসিনা মথংশিংনা যুধিষ্ঠির, ভীম, অর্জ্জুন, নকুল অমসুং সহদেব হায়বা শক্তম মঙা লৌবনি। মরম অদুনা দ্রৌপদীগী মপুরোইবা মঙা নত্তে, ইন্দ্র অমখক্তগী গুণ মঙাবু পুন্না সেবা তৌবনি। মওংসিদা পুরাণসিনা তাকই। ৱারীগী মনুংদা হরিশ্চন্দ্র, বিশ্বামিত্রগী তপকী পাঙ্গল, সতীগী গুণ অসিনচিংবা য়াওরি। পুরাণ অতৈগুম্না হীরম কয়াসু শুনা য়াওরি। শ্রীদুর্গাসপ্তশতীগী চাউরাকপা ৱারীদি –

য়েক্লবা অমসুং পুকচেল ফত্তবা মন্ত্রীশিংগী খুজিন থৌরাংদগী নীংবা কায়রবা সুরথ কৌবা নিংথৌ অমগা নুপী অমসুং মচাগী মফমদগী নীংবা কায়রবা সমাধি কৌবা বৈশ্য অমগা অনীনা মহর্ষি মেধাগী মফমদা চঙজদুনা মখোয়গী অৱাবা অমদি অদুক ফীভম ফত্ত্রবা ফাওবদা মচা মরন্নচিংবদা পুক্নিং চঙদুনা অদুম্মক লৈরিবদুগী মরম তাকপিনবা হায়জখি। মহর্ষি মেধানা মদু পূম্নমক মহামায়া দেবীগী লীলানি হায়না খুন্নবদা ঋষিদা হংখি, "হায়রিবা মহামায়া দেবীবু কনানো? মহাক কমদৌনা পোকখিবনো? মহাক্কী মথৌনা করিনো?" ৱাহংশিংসিগী পাউখুম ওইনা মহর্ষি মেধানা ব্রহ্মাবু হাংলগে হোৎনরকখিবা মধু অমসুং কৈটভ কৌবা হিংচাবা অনীবু ভগবান বিষ্ণুনা মখুত্তা থাবা থাখিবগী ৱারী অমসুং মদুগা ভগবতীনা লৌখিবা থৌদাং পন্দুনা লীখি। মথংদা মহিষ কৌবা অকনবা হিংচাবা অমনা ওৎ–নৈবদা খাঙবা ঙমদ্রবা দেবতাশিংনা মখোয়গী অৱাবা ৱারীদা ভগবান বিষ্ণু অমসুং শিবগী মফমদা লীরুবদা হরি–হর অনীদগী মঙাল অমমম চোংথোরকখি। মদুগী মতুংদা ব্রহ্মা, ইন্দ্র, সূর্য্য, চন্দ্র, যমনচিংবা দেবতাশিংদগীসু মঙাল অমমম থোরক্তুনা পুল্লপ্পা মঙালশিংগী অপুনবা শক্তম অমা শেমখি মদুমক ভগবতী ওইখি। ভগবতীনা ইরোই, শামুনচিংবগী মুর্ত্তি লৌদুনা লাম্বা পারকখিবা মহিষাসুরবু মহাক্কী অথোইবা সেনা তরামরিগা লোয়ননা হাৎখি। দেবতাশিংদা স্বর্গলোগ খুৎশিন্নবা অমদি অপাম্বা বর পীবিরম্লগা মাঙখি। লাইশিংনা মর্ত্ত্যলোক্তা লাক্তুনা হিমালয়দা চৎলগা পার্বতীগী মাঙদা শ্রীদুর্গাদেবীগী স্তুতি তৌজখি। পার্বতীনা দেবতাশিংদা মখোয়না হায়জরিবদু কনাদনো হায়না হংখি। পার্বতী মশাদগী শিব থোক্লকখি অদুগা 'মখোয়না শুম্ভ–নিশুম্ভগী অৱাবা পীরিবা অদুগী কনবীনবা ঐঙোন্দা হায়জরিবনি' হায়না পাউখুম পীরকখি। পার্বতীগী হকচাংদগী অম্বিকা পোকখি, অদুনা মাবু কৌশিকী হায়নসু কৌই অদুগা শিবনা পার্বতীগী হকচাংদগী থোকখিবগা মহাক্কী কুচ মুশিনখি, অদুনা মহাকপু কালিকা হায়নসু খঙনখি, হিমালয়দা লৈখি। থোইদোক্লা ফজরবী অম্বিকাবু উরুবদা চণ্ডমুত্তনা চৎতুনা শুম্ভ–নিশুম্ভগী মফমদা অম্বিকাগী ফজববু শীংথাখি। শুম্ভ নিশুম্ভনা সুগ্রীব কৌবা আসুরবু অম্বিকা ফারুনবা থাখি অমসুং সুগ্রীবনা দেবীদা মানা লাকপগী মরম হায়রুবদা দেবীনা, 'মহাক অদুনা লানফমদা ঐগী পাঙ্গলগী নাপল মাঙহনবা ঙম্বা মহাক্তু ঐগী ইপুরোইবা ওইগনি হায়না ঐগী ৱাশক লৈ।' হায়না খুমখি। পাউ অদু তম্লুরবদা মথং মথং ধুম্রলোচন, চণ্ড–মুর্ড বু থারকখি। দেবীনা লোয়না মাঙহনখি। চণ্ড–মুণ্ডগী মকোক ককই হায়দুনা দেবীবু চামুণ্ডা হায়না কৌনখি। ভগবান শিবমক্লা দুত ওইদুনা শুম্ভ–নিশুম্ভবু দেবীদা চঙজনবা হায়রবসু নাপলনা ময়াই কারবা শুম্ভ–নীশুম্ভনা য়াখিদে, লান শীংনখি। সেনাপতি রক্তবীজ, মহাক্কী ঈ মরিক অমত্তং লৈবাক্তা তাবগা রক্তবীজ অমা হেক্তা ওইবা অদুগুম্বা আসুরবু চামুর্ডনা লৈ তিংথোক্তুনা মঙোন্দগী থোরকপা ঈ পুম্নমক থক্তোক্তুনা হাৎখি। মতুংদা শুম্ভ–নিশুম্ভ অনীবু হাৎখি। দেবতাশিংনা স্তুতি তৌজখি অমসুং মাতৃগন কুনহুমদোইমক্লা পেনবীদুনা বর পীবীখি লোয়ননা মহাক্কী মগুণ, পুজাবিধি অমসুং মহৈনচিংবা তাকপিরম্লগা মাঙখি। অরোইবদা সুরথ অমসুং সামধি অনীদা মেখা ঋষিনা দেবীদা চঙজনবা তাকই। সুরথদা মাগী রাজ্য ফংহনখি অমসুং দেবীগী বরনা মপোক অমদা সাবর্নি কৌবা মনু ওইখি। সমাধিনা জ্ঞান ফংখি।

**৮.অগ্নি পুরাণঃ** ভগবান অগ্নিদেবনা মহর্ষি বসিষ্ঠদা তাকখিবা বিদ্যা মখল কয়া য়াওবা অগ্নিপুরাণদা শ্লোক লীশিং তরানিথোই, অধ্যায় ৩৮৩ য়াওই। পরা–অপরা বিদ্যা, মৎস্য নচিংবা অবতারশিংগী ৱারী, রামায়ণ, শ্রীকৃষ্ণগী বংশ বর্ণন, মহাভারতকী ৱারী, স্নান–সন্ধ্যানচিংবগী– বিধি, মখল মথেলগী শোধন, শেংদোকপা বিদ্যা মখল মথেল, জ্যোতিষ জ্ঞান, হিদাক–লাংথক, শান্তি মখল কয়া, শ্রীকৃষ্ণসহস্রনাম স্তোত্র, ভগবদগীতাগী ভবার্থ, যমগীতা অসিনচিংবা কয়া য়াওরি। জরাভরত কী ৱারী ভগবান বিষ্ণু ফংনবা উপায়, ভগবান শিবগী মতিক মগুণনচিংবা কয়া অমসু পুরাণসিদা য়াওরি।

**৯.ভবিষ্য পুরাণঃ** ভবিষ্যপুরাণদা ব্রহ্ম, মধ্যম্, প্রতিসর্গ অমসুং উত্তর হায়না পর্ব মরি থোক্লা খায়রগা পুন্না অধ্যায় ৫৮৫ দা শ্লোক লীশিং কুন্নীপাল্লোম য়াওই। পুরাণ অসিদা ধর্ম, সদাচার নচিংবা ৱাফম য়াম্না মরাং কায়না য়াওই। মীয়াম্না পাম্নরবা বেতালপঞ্চবিংশতি (বেতালগা রাজাবিক্রমগা অনীগী ৱারী পাখোংশিং) পুরাণসিদগী লৌথোকপনি। ভারতকী ইতিহাস ইবশিংনা পুরাণসিগী মতেং য়াম্না লৌই। যীশু খৃষ্টনা ভারত্তা লৈরম্মী হায়বা লাইরিক অদুদা পুরাণসিগী ৱাফম কয়া লৌই। হেমাদ্রি, ব্রতকল্পদ্রুম, ব্রতরত্নাকর নচিংবা লাইরিকশিং ভবিষ্যপুরাণদগী লৌবা মচাকশিংনি। পুরাণ তাবগী ফল, সূর্য্য পরিবার নচিংবা ৱারী কয়াসু য়াওই।

**(মথঙ–মথঙ)**